### ৩লক শুবা এম এন সী এ সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৩-২৪

# থাউনা পি টি টি সী মায়থিবা পীখ্রে




**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মখাদা চথদুনা লাক্লিবা অহুল্লকশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৩-২৪ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা পি টি টি সী পাংসোইবু য়াম্না লাকচনা রন ১২৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস থাউনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা থাউনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা সেটরনি ব্রহ্মাচরিময়ুম অমদি কল্পনা কৈশামনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবা সেটরনিনা বোল ২৯ মায়োক্নবদা রন ২২ লৌবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন কল্পনানা বোল ১২২ মায়োক্নবদা রন ১১৩ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেন নিরুতা থৌদামনসু বোল ৩৩ মায়োক য়াবদা পুন্না রন ৩০ লৌদুনা মখা তানা মতেং পাংশিল্লমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা টিম অসিগী ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২১০ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা পি টি টি সীনা টার্গেট রন ২১১ লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথুরকখিবা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং মপুঙ ফানা ক্রিজদা লৈদুনা মায়োক য়াবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২৪.৪ শুরকপদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৮১ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু থাউনা রন ১২৯ দা থোইখিবনি।

### এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# পথাপ এফ সী অমসুং এ এস এস এ মায় পাকখ্রে

**থৌবাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) থৌবালনা শীন্দুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা টিম ৮না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ১৯দগী চথুরকখিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পথাপ এফ সী লিলোংনা দি য়ু সী চরাংপাৎ অদুগা এ এস এস এ শঙ্গাইয়ুম্ফমনা দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং মায়থিবা পীখ্রে।

পথাপ এফ সী লিলোং অমসুং দি য়ু সী চরাংপাৎ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পথাপ এফ সী লিলোংগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইবা ঙমখিবনি। পথাপ এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১০,১২ অমসুহ ৭৪ শুবা মিনটতা এন অশোকুমারনা চনখিবনি। অদুগা দি য়ু সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৮ শুবা মিনটতা টিম অদুগী টি ঐচ চিংলেম্বনা চনখিবনি।

অমরোমদা এ এস এস এ অমসুং দল্লিয়ু ৱাই এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা অরোইবা মতমদা ফাওবদা এ এস এস এনা পাঞ্জল ১-০ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। এ এস এস এগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৫ শুবা মিনটতা রহমননা চনখিবনি।

# পেরিস ওলিম্পিক্সতা নদাল অমসুং অলকারাজ পুংবা ওইরগনি



**মদ্রিদ, জুন ১২ (এজেন্সী):** লাক্কদৌরিবা পেরিস ওলিম্পিক্সতা স্পেনগী ওইনা রাফেল নদাল অমসুং কারলোজ অলকারাজ টেন্নিস মশান্নগী ওইনা মেন্স দবলসকী পুংবা ওইরগনি হায়না স্পেনিস টেন্নিস ফেদরেসননা ঙসি ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবা কারলোজ অলকরাজনা মহাক্কী অহানবা ফ্রেন্স ওপনগী টাইটল অমদি অহুল্লকশুবা গ্রান্দ স্লাম ট্রোফি লৌবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসিগী ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি। স্পেনিস টেন্নিসকী ওইনা রাফেল নদালগী মহুৎ অলকারাজনা শিলহৌবা ঙমগনি হায়না লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না থাজবা থল্লিবনি। অলকারাজগী ওইনসু অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা নদালবু মহাক্কী হিরো অমা ওইনা লৌদুনা লাক্লি।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা নদালনা হৌখিবা কুমজা ২০০৮ গী ওলিম্পিক্সতা মেন্স সিঙ্গলকী গোল্ড লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৬ কী ওইনা দবলসকীদা নদাল অমদি মার্ক লোপেজকী পুংবানা গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি। মসিগী মথক্তা নদাল গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২ রক লৌবা ঙমখ্রবা টেন্নিস শান্নরোয় অমনি।

অমরোমদা স্পেনিস টেন্নিস ফেদরেসনগী কেপ্টেন দেবিদ ফেররনা রাফেল নদাল অমসুং অলকারাজগী পুংবানা গোল্ড মেদল শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# মীয়াম্না এথলিটশিং তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস):** পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় নীংশিং অহানবা ইন্টরনেসনল ইনভাইটেস্নেল মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসন ভারত চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরুবা মণিপুরগী এথলিট ১৭ না ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসন ওফ উট্টর প্রদেশনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী হৌরগা ৭ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না অযোধ্যগী ডা. ভিম রাও অম্বেদকর ইন্টরনেসনল স্পোর্টস ষ্টদিয়ম, দাভা সেমারদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ন টিমদা মণিপুরদগী পুন্না মাষ্টর এথলিট নুপা ১৬ অমদি নুপী ২৬ কা লোয়ননা ওফিসল ২ য়াওরগা পুন্না মীওই ৪৪ না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ৩০, সিলভর মেদল ২১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১৬ পুন্না মেদল ৬৭ লৌবা ঙমখিবনি। টিম অদু এল অশাকুমার অমসুং সী ঐচ রঞ্জিৎনা লুচিংখিবনি।

# এল ৱাই এনা এল এম এল সী সী অদুগা কে এম এস দল্লিয়ু সীনা য়ু বি এস এ থোইখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচিংনা শিন্দুনা দি এস এগী ককচিংগী গ্রাউন্দদা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ২১ রকশুবা কে এস ঐচ লৈহাউ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটশিংদা এল ৱাই এ ৱাঙুনা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং অদুগা কে এম এস দল্লিয়ু সী কৈরকনা য়ু বি এস এ মান্তক মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ তাবদগী হৌরগা এল ৱাই এ অমসুং এল এম এল সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এল ৱাই এনা এল এম এল সী সীবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীরমখিবনি। এল ৱাই এগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৪ শুবা মিনটতা পি গৌতমনা ১ অদুগা ৪৬ অমসুং অনীশুবা হাফকী ইঞ্জ্যুরী টাইমদা এল হেমসননা অনী চনখিবনি। অদুগা এল এম এল সী সীগী পাঞ্জল অনীদুনা মেটচ অদুগী ৬১ অমসুং ইঞ্জ্যুরী টাইমদা বিরেন্দ্রকুমার অমসুং সুভাসনা অমমম্ চনখিবনি।

অমরোমদাকে এম এস দল্লিয়ু সী অমসুং য়ু বি এই এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে এম এস দল্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ৩-১ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# জুনিয়র বোইজগী ফোইলদা য়াইফবা অদুগা গর্লসগী ফোইলদনা মঙাল্লেবীনা গোল্ড লৌখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফেন্সিং এসোসিএসননা শিন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ফেন্সিং হোলদা চথদুনা লাকখিবা ২ রকশুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ গী ওইনা জুনিয়র বোইজ অমসুং জুনিয়র গর্লসগী ওইনা তোঙান তোঙানবা কেটেগরিদা চাংদম্নখিবা অদুগী ওইনা নুপাগী ফোইলদা কে ঐচ য়াইফবনা গোল্ড, সী ঐচ রোনেলনা সিলভর অদুগা এস ৱাশিংতন অমসুং কে ঐচ রাজিবনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। অদুগা গর্লসগী ফোইলদনা টি মঙাল্লেবীনা গোল্ড, কে ঐচ অঞ্জলিনা সিলভর অদুগা এম গীতারানি অমসুং ঐচ তোনিবিয়ানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

নুপাগী ইপিদনা কে দ্রোনেলনা গোল্ড, তোন্দোনসনা এন কেনা সিলভর অদুগা দল্লিয়ু নিকাস অমসুং এম দোল্লরনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী ইপিদনা এল চিংলেম্বীনা গোল্ড, দেবিয়া এননা সিলভর অদুগা জি কেনিয়া অমসুং টি ঐচ অঞ্জিতানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপাগী সেবরদনা এল বোমচানা গোল্ড, রেমোনা সিলভর অদুগা মেক্সি টি ঐচ অমসুং কৌবু এননা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগীদনা অম্বিকানা গোল্ড, প্রিয়ানা সিলভর অদুগা পায়ল অমসুং লাংলেননা ব্রোঞ্জ লৌখি।



HL-P/10928/23/5-21/6







HL-B/8291/7-27 (alt)







HL-B/8835/8/6-7/7



HL-B/8835/8/6-7/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1156**

**Istvan Csom (2480) - Sameer Sursock (2200)**

**Vrnjacka Banja zt Vrnjacka Banja (12), 1972.04.11**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.g3 d5 | 3.Bg2 e6 | 4.d3 Be7 | 5.Nbd2 c5 |
| 6.O-O Nc6 | 7.e4 O-O | 8.Re1 Qc7 | 9.c3 b5 | 10.e5 Nd7 |
| 11.Qe2 c4 | 12.d4 b4 | 13.Nf1 Rb8 | 14.Ne3 bxc3 | 15.bxc3 Qa5 |
| 16.Qc2 Ba6 | 17.h4 Rb7 | 18.Nd2 Rb6 | 19.a4 Rfb8 | 20.f4 Nd8 |
| 21.f5 Bb5 | 22.Rf1 Bc6 | 23.Ng4 Bf8 | 24.fxe6 fxe6 | 25.Rf3 Ra6 |
| 26.Nf1 Bxa4 | 27.Qd2 Qb6 | 28.Qg5 Bd1 | 29.Rxa6 Qxa6 | 30.Nh6+ Kh8 |
| 31. … | | | | |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 1155 Solution :**

**38. …Qf3+ 39.Qg2 Qd1+ 40.Qg1**
40.Qf1+ Qxf1#
**40. ...Qxd5+ 41. Qg2 Qd1+ 42. Qg1**
42.Qf1+ Qxf1#
**42. ...Qf3+ 43. Qg2 Rd1#** Back-rank mate
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com